## ফেমেলি কোর্ট থৌবালদা শঙ্গাখ্রে

# মোব জষ্টিসতা হেন্না পূক্নিং থৌগৎনবগুম তৌরেঃ চীফ মিনিষ্টর

এসএনএস

ইম্ফাল, জুলাই ১৬ ঃ দিষ্ট্রিক্ট লেভেল ওফিসার কমপ্লেক্স থৌবালদা ঙসি ফেমেলি কোর্ট চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন সিংহনা শঙ্গাখ্রে। ঙসি শঙ্গাখবা ফেমিলি কোর্ট থৌবালগী জজ ওইনা শ্রীমতী বেনি ঙাঙোম মণিপুর জ্যুদিসিয়েল সার্ভিস (এমজেএস)বু হাপখ্রে।



থৌরম অদুদা চীফ মিনিষ্টরনা হায় লমদম অসিদা আইন লৈতবদৌনা মীয়াম্না মোব জষ্টিসতা হেন্না পূক্নিং থৌগৎনবদৌনা তৌরে। মোব জষ্টিসনা মরাল লৈজদবা কয়া অমসু অৱাফমদা তাহনবীরে। অদুনা অৱাবা অসিদগী কোকহন্নবা আইনগী ওইবা ৱায়েল চত্থদুনা মরাল লৈবশিংবু চৈরাক ফঙহনগদবনি।

মণিপুর সরকারগী লো এন্দ লেজিসলেটিভ এফিয়ার্স দিপার্টমেন্টনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা ফেমেলি কোর্ট থৌবাল শঙ্গাবগী থৌরম অদুদা হায়কোর্ট ওফ মণিপুরগী এক্টিং চীফ জষ্টিস এন কোটেশ্বর সিংহনা থৌরম মপু অদুগা লো মিনিষ্টর এল জয়েন্তকুমার, এডুকেসন মিনিষ্টর টিঐচ রাধেশ্যাম, মণিপুর হায়কোর্টকী জষ্টিস কেঐচ নোবিন, বার কাউন্সিল ওফ মণিপুরগী চিয়ারমেন ও মোধুচন্দ্র সিংহ, ওল মণিপুর বার এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট ঐচ চন্দ্রজিৎ শর্মা, হায়কোর্ট বার এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট কেঐচ বিজয়কুমার সিংহনচিংবা কয়ানা ইকায়খুম্নবা মীথুং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট বার এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট অমদি মেম্বরশিং হায়কোর্ট ওফ মণিপুরগী ওফিসিয়েল অমদি সেনিয়ার এডভোকেট কয়াসু শরুক য়াখিবা থৌরম অদুদা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন সিংহনা মখা তানা হায়, সরকারনা লো এন্দ লেজিসলেটিভ এফিয়ার্সতা হেন্না মীৎয়েং চঙলি। মতম শাংনা লৈরম্লবা অশোয়বা-অরানবা কয়া অসি কোকহন্নবগীদমক পূন্না হোৎনমিন্নবগী মথৌ তারে।

ঈশিং ঈচাওগী মতাংদা পল্লদুনা চীফ মিনিষ্টরনা হায়, থা অনী-অহুম অসিদা নোং কা হেন্না চুরকপদগী ঈশিং ঈচাও অহুম-মরিরক থোক্তুনা অৱা-অনা কয়া মায়োক্নখ্রে। অসিগুম্বা কয়াসি মতুংদা থোক্তনবা তুরেল খোঙনুং তেংবগী প্রোজেক্ট অমা শেমদুনা ভারত সরকারগী মরী লৈনবা মিনিষ্ট্রিদা থাগৎখ্রে। লাইবক থীরিবদি তুরেল খোঙনুংদা স্কুল শাজিনবা, ক্লব, মঙফমনচিংবা শাজিনবা অসিনি।

খোঙনুং তেংথোকপা মতমদা শাজিল্লিবা কয়া অসি লৌথোকপা মথৌ তারকই। মতম অদুদা কোর্টতা চৎতুনা অয়েৎপা পীনবা হোৎনরকপসু য়াওরক্লোই হায়নিংঙাই লৈতে। অদুনা তুংগী মীরোলগীদমক অমদি নোং চুরকপা মতমদা তোইনা ঈচাও থোক্লিবা অসিদগী ঙাকথোক্লবা হোৎনবদা মীয়াম্না তেংবাঙবিয়ু হায়নসু চীফ মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি।

আইনগী লোইশঙ অসি মপুং ফানা মথৌ পাঙথোকহন্নবা অঙম্বা থাক্তা হোৎনরি। ফেমিলি কোর্ট অসি য়াম্না মরুওইবনি। ইমুং-মনুংগী থৌদোক ৱাথোক কয়া পীক্না লৌরবসু ইমুং অদুগীদমক্তি অচৌবা থৌদোক অমা ওইরিবনিনা মদু চেকশিন্না য়েংশিনবা অমসুং আইনগী মতেংনা অচুম্বা ৱায়েল ফঙহনবা হায়বসি তঙাই ফদবনি হায়বগী ৱাফমসু থমখি।

# চীং কিন্থবদগী য়ুম ৪ খুদোংথীনিংঙাই ওইরে

কাঙপোকপী, জুলাই ১৬ ঃ (নেনা) কাঙপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচনবা হাইজাং ভিলেজদা চীং কিন্থরকপদগী য়ুম মরি খুদোংথীনিংঙাই ওইবা ফিভমদা লৈবগা লোয়ননা মদুদা লৈবা মীওইশিং মীপায়বা পোক্লরে।

হাইজাং ভিলেজ ওঠোরিটিনা ওইরক্লিবা খুদোংথীনিংঙাই ওইবা ফিভম অদুদা সরকারগী মায়কৈদগী অথুবদা মীৎয়েং চঙবীনবা অপিল তৌরি।

ভিলেজ অদুগী কিলোমিটর অমরোমগী এরিয়াদা লৈপাক চেকখায়বগা লোয়ননা চীং নিংখায়রকপদগী হৌজিক-হৌজিক মীপাইনিংঙাই ওইবা ফিভমদা লৈরিবনি। য়ুম মরিদি হেন্না খুদোংথীরকপা য়াবগী মওং উবদগী য়ুমশিং অদুদা লৈবা মীওইশিং শাফগদবা মফমদা চেন্নখ্রে।

ওইরিবা ফিভম অদুগী মতাংদা দিপ্যুটি কম্মিস্নার কাঙপোকপীদা রিপোর্ট তৌরবসু হন্দক্কী ওইবা থবক অমত্তা পায়খৎলক্ত্রি। হাইজাং ভিলেজ ওঠোরিটিগী সেক্রেটরী থাঙ্খোহেন গুইতেনো খুনজাশিংনা থেংনরিবা অৱাবা খুদোংচদবা অদু মরী লৈনবা ওঠোরিটিনা য়েংশিনবীনবা অমদি সিভিল ওর্গনাইজেসনশিংদসু মতেং পাঙবীনবা অপিল তৌরি।

পনবা য়াই, হৌখিবা থাদ কলিখোলা ভিলেজ অমসুং অকোয়বদা লৈপাক চেকখায়রক্তুনা য়ুম ১১ হেন্না অমাং-অতা থোকহনখ্রবনি।

# লৈকোলগী চহীগী মীফম পাঙথোকখ্রে



এস এন এস

ইম্ফাল, জুলাই ১৬ঃ লৈমরোল খোর্জেকোল (লৈকোল)গী অপুনবা চহীগী মীফম ঙসি দিএম কলেজদা লৈবা লৈকোলগী ওফিস দেভ লিটরেচর সেন্টরদা পাঙথোকখ্রে।

লৈকোলগী মীওই কয়ানা শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা থৌরমগী অনীশুবা সেসনদা খ্বাইরাকপম অন্দিনি দেবীনা ইবা শৈরেংগী লাইরিক 'ৱাহৈগী সুর' হায়না মিং থোনবা লাইরিক অমা লৈকোলগী প্রসিদেন্ট প্রোফেসার এন অরুনানা ফোঙদোকখি।

লাইরিক অসিগী মরমদা ডা. কে সান্তিবালানা মীয়ামদা পাউদমখি।

# লৈঙাক্কী ফিভম হেন্না-হেন্না শোকচিল্লক্লিঃ আরপিএফ

*ঙরাংগী মখা...*

মরমসিনা অপুনবা কোকথোংগী তেকচাক অদু নম্লদুনা ঙসিদি মণিপুরগী নীংতম-ঈহৌগী তপথদ্রবা খোঙহৌশিংদা অমদি লমথুংফমগী লম্বেলশিংদা চয়েৎনবা হন্ন-হন্না থোক্লি। লমদমসোমদা চত্থরিবা ইনিদয়ান হেগেমোনিক রুলবু খঙবদা হেগেমোনি হায়বসি ঐখোয়না নৌহৌননা খঙবা তারকই। হেগেমোনি নৎত্রগা হেগেমোনিক হায়বসি পৱারফুল ওইবা মশক অদুখক নত্তে, মসিদি অয়াম্বা মতমদা মদুবু শৌগৎপা মীয়াম্না য়াবা পৱারগী মশক অদু ওইগনি হায়বসিনি। ঙসিদি ইন্দিয়াগী ময়াই লমদা বিজেপি হেগেমোনিক ওইরিবসি করিননো হায়বদা মসিগী তমথীবা পৱার অসি মীয়াম্না য়াবা নৎত্রগা য়াদনা শিন্নথোকপা অসিনি। অদুগা ইন্দিয়া ময়াই লমদা নরেন্দ্র মোডিনা য়াম্না পোপুলর ওইরিবশিংগী মরমদা খূৎনাং চারবা চহী ২০০-৩০০ শুরবা লোইলম লৈঙাকপা বৃটিশ ইম্পরিয়েলিষ্ট রিজিমগী চজিক অদু চাকশা ওন্থোক্তুনা অনৌবা ইনিদয়ান ইম্পরিয়েলিষ্ট দেমোক্রেসি কৌবা চাকলুক অমা পীজগনি হায়বগী মঙলান অমা মীয়ামদা থাগোন্নদুনা চৎপা ঙমহনবদগীনি। ইশম-শম্না হায়রবদা মোডি বিজেপিনা নিও ইনিদয়ান পোপুলর কম্মন সেন্স অমা শেম্না ঙস্লে অমদি হায়রিবা মখোয়গী অদুগুম্লবা অনকমন সেন্স অদুনা ৱেষ্টর্ন সাউথ ইষ্ট এসিয়া লমদমদা অদুগা মখোয়গীনা অৱাং নোংপোক লমদমদা হুমদুনা পোপুলর কম্মন সেন্স ওইহল্লকপা ঙমহল্লে হায়বসিনি।

মতাংসিদা ইন্দিয়ান ইম্পরিয়েলিষ্ট দেমোক্রেসি নৎত্রগা বিজেপি হেগেমোনিগী য়াম্না মরুওইবা খোঙহৌ খূৎথা মচাক অমা লৈ মদুদিঃ-

হান্নগী অতোপ্পা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টগী লৈঙাক্কা মান্নহন্দনা বিজেপিনা তমথীবা অকনবা পৱার শীজিন্নবা য়ানবগী খুদোংচাবা ফঙনবা লাক্লে অমদি ফিভম শাগৎলকই, মতাং চানা চৎনরিবা লৈবাক্কী লোনা য়াবা ষ্টেট পৱার শীজিন্নে অদুগা এক্সিক্যুটিভ পৱার কয়াগা লেঙ্গোন্নদুনা চৎমিন্নদুনা ষ্টেট ইন্সটিট্যুসনশিংবু ওইরিবা মখোয়গী লৈঙাক্লোনগী খুবামনুংদা থম্নবা লাক্লবা অসিনি। অহানবদা এডুকেসন অমদি কলচরদগী হৌরগা দিফেন্স-নচিংবা মরুওইবা কাঙলোনশিংদা খূৎ চেকশিন্না থাদুনা থাজবা য়াবা মীশকশিং নৎত্রগা এজেন্টশিং খন্দুনা মখোয়গী এজেন্দাশিং পাঙথোক্লবা লাক্লে। *মথঙ মথঙ...*

লমায় ১ গী মখা

# ৱাশক ঙাকসি ঃ ঈচাও থেঙনরিঙৈ পোলিটিকেল ...

অদুম্নদি ওইরগা কা হেন্না অৱাবা পীবা অমদি অমাং অতাদগী খরমখৈদি কনবা ঙম্নবা হোৎনবা হায়বসিদি তৌফম থোকপনি।

হন্দক্কী ঈচাও অসিদা হৌজিক ফাওবদা য়ুম ২৩,২০৯ থুমজিন্দুনা মীওই লাক্ষ অমা হেন্না অৱাবা মায়োক্নরি হায়না রিপোর্ট তৌরি। অসিদসু নত্তে, লৌফম হেক্তর ৩৯,২৫৫, ঙাগী ফার্ম হেক্তর ৬৫,০০০, লম্বী কিমি ১৭৯, ৱাটর সপ্লাই স্কিম ৩২, মহৈলোইশঙ ৮১, মাইনর ইরিগেসন স্কিম ১৪৯ অমাং অতা থোকহনখ্রে হায়নসু পল্লি। পীরিবা চাং অসিদগী হেনগৎলকপসু য়ারি। ফিভম অসিদা মীওই লাখ কয়ানা নোংমগী হিংনবা হোৎনবদা কয়াম খূদোংথিরমগনি, নুপী অঙাংশিং করম তৌরমগনি, করি চারমগনি, কদায়দা তুম্লমগনি, থক্লবা অফবা ঈশিং ফঙলমগদ্রা, ফঙদ্রগনা কদায়দগী শীজিন্নরমগনি হায়বনচিংবা লৈঙাক মপু ওইরিবশিংনা, অঙম অথৌশিংনা নিংথিনা অমদি মুন্না খঙফম থোকই খঙববুদি খঙলমগনি। লোকেল এমএলএ শিং, সোসিয়েল ৱার্করশিংদগী ফিদবেক ফঙলমগনি, তোঙান তোঙানবা মেদিয়াগী খূত্থাংদগীসু ফিদবেক লাক্লমগনি।

অদুবু রেস্কু অমসুং রিলিফ ওপরেসনগী থবক্তি কয়া মচু তাদবদৌনা ঙাংনরি। মীয়াম্না ঙাংনবা হায়বসি লোয়নমক চুমদ্রবসু তঙ্খায়দি চুম্লবনি। রাজনীটিগী খূদোংচাবা লৌনবসু অসিগুম্বা মতমদা হোৎনদবদি নত্তে। মীয়ামগীনা থোকঅবা অমা লাক্কনি। মশা মশানা হিংনবা হোৎনদবা য়াদে হায়না খনবা রাজনীটিৱালা সোসিয়েল ৱার্কর লৈরম্লোই হায়নিঙাই লৈতে, লৈরমগনি। অসুক ৱানরবা মতম অসিদা বিজেপিগী এমএলএ ২১ না এনপিপিগী ৪, এনপিএফ ৪, লোক জনশক্তিগী ১, ত্রিনামুল কংগ্রেসকী ১, ইন্দিপেন্দেন্ট ১, কংগেনসকী ১ পুন্না ৩৩ মেজোরিটি লৈদুনা শেমখিবা এন বিরেননা লুচিংবা সরকার অসিদা ঙসিদি বিজেপিগী এমলেএ ২১ দগী ৩৩দা হেনগৎলে, মসি মীয়াম্না য়াবদগীনি হায়না মখৌ পোঙনা লাউরি। পোলিটিকেল দিফেক্সন শৌগৎলগা নম্বর গেমসতা লেঙ্গোন্নরিবশিং ইন্থোক্কনি হায়বসিদি মপু ওইরিবা মীয়াম্বু থওইদবনি হায়না লৌবা তাবনি। বিজেপিগী এমএলএ ৩৩ শুরে হায়রিবসিগী মনুংদা ১১ দি ইন্দিয়ান কন্সটিট্যুসনগী ১০ শুবা সেদ্যুল এন্টি দিফেক্সন লোনা ময়া কাখত্তুনা লৈরিবনি হায়বসিসু খঙমিন্নবা চুমগনি।

# কলচর য়ুনিভর্সিটি শাগদবা মফম মিনিষ্টর জয়েন্তকুমারনা...

এস দি ওগী মায়কৈদগীসু লম অসিগী মরিক চুম্বা দিটেল চার্দ অমা পীবিরো হায়খি।

খাসলেন্দ অমসুং পাট্টালেন অমসুং লৌশিনগদবা লম অদুনা করম্বনো হায়বদু মরিক চুম্বা রিপোর্ট অমা নোংমা নিনি অসিগী মনুংদা পীরক্লবা খঙহনখি।

খোঙচৎ অদুদা য়াওখিবা ক্ষেত্রিগাও কেন্দ্রগী এন ইন্দ্রজিৎ এম এল এনা হায়, মমাঙদা লৈরম্বা গভর্ণমেন্টশিংনা মীয়ামগী চাউখৎ থৌরাংগী থবক্তা পূক্নিং চংবীরমদে। অনৌবা গভর্ণমেন্ট লাকপা অসিদা চীফ মিনিষ্টরগী মখাদ ইম্ফাল ইষ্টতা অচৌবা লেমজনিঙাই ওইবা ইন্সটিট্যুট অমা ওইরবা কলচরেল য়ুনিভর্সিটিনচিংবা শাগত্তুনা সিতি হেন্না পাকথোক চাউথোক্লবা থৌরাং লৌখৎলকপনি।

মফম অসিদা অফবা প্রোজেক্ট পুরক্লগা পায়খৎপা য়াবা পায়খৎকে হায়নসু মহাক্না মখা তাখি।

# মেট্রিককী পোজিসন হোল্ডর তরাম্না...

অপোকপা মপা নৌনা কায়নখিবদগী মমা লুখ্রাবীনা য়োক্তুনা মহৈ-মশিং তমহল্লকখিবা মহাক হন্দক চহীসিগী ঐচএসএলসি একজামিনেসন দা ষ্টেটসিগী ট্রাইবেল মহৈরোইশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী মার্ক ৱাংনা পাস তৌখিবা অনীশুবা মহৈরোইনি। মহাক মচিল মনাও তরুক্কী মনুংদা ইতোন তোনবনি।

য়ুনিয়ন পব্লিক সার্ভিস কম্মিসন (য়ুপিএসসি) না লৌবা পরিক্ষাশিংদা শরুক য়াদুনা সিভিল এদমিনিষ্ট্রেসন্দা খোঙদাবা পাল্লিবা মহাক হৌজিক ইম্ফালগী মিল্লেনিয়ম ইন্সটিট্যুট ওফ সাইন্সেসতা লাইরিক মখা তমথরি। স্কুল অসিনা মহাক্কী কোর্স অসি লোইদ্রিবা ফাওবদা মঙোন্দা ফ্রি এদুকেসন পীবগা লোয়ননা লুপা লাক্ষ অনীগী শেলগী মনাসু পীখ্রে হায়রি। লোয়ননা চীং অমসুং তমগী প্রাইভেট স্কুলশিংদা তমজবা ঙমদ্রিবা মহৈরোইশিংগীদমক খনবীরগা ষ্টেট গভর্ণমেন্টকী স্কুলশিংগী ফিভম ফগৎহন্নিংবগী অপাম্বসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

# দেসামনা ঈচাওনা অৱাবা নংলবশিংদা মতেং পাঙখ্রে

এস এন এস

ইম্ফাল, জুলাই ১৬ ঃ হন্দক মণিপুরগী মফম কয়াদা ঈশিং ঈচাওনা অৱাবা কয়া প্রজাশিংনা মায়োক্নরি।

মীয়াম্না ঈচাওগী অৱাবা মায়োক্নরিবা অসি খরদং ওইরবসু কোক্লবগী পান্দমদা দেমোক্রেটিক ষ্টুদেন্টস এলাইন্স ওফ মণিপুর (দেসাম) ককচীং দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিলনা ককচীং দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচন্না লৈবা ঈচাওনা অৱাবা নংলবা তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা চানা থক্লবা পোৎলমশিং য়াওনা আইটেম ১২গী পোৎলমশিং য়েন্থোকখ্রে।

ককচীং ৱার্ড নম্বর-৪গী কাউন্সিলর সনাহনবী অমদি য়ুএনৱাইদিও ক্লবকা পুন্না খূৎশম্নদুনা য়েন্থোকখিবা মফমশিং অদুদি হিয়াংলমগী হিরানমৈ, খোইদুম, লফুপাৎ তেরা, দলোখোং, নোংমাইখোং, তোকপাচিং অমদি য়াংদোংগী মফমশিংনি হায়রি।

ঈচাওগী অৱাবা নংলবা মফমশিংদা য়েন্থোকখিবা পোৎলমশিংগী মনুংদা চেঙ,হৱাই, থুম, অচা থাও, ব্লেসিং পাউদরনচিংবনি হায়রি।

পোৎলমশিং য়েন্থোকপগী থৌরম অদুগা মরী লৈননা দেসাম ককচীং দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিলগী জেনরেল সেক্রেটরী অকাসনা ফোঙদোকখিবদা মমাঙগী সরকারগী মতমদা ঈচাওনা অৱাবা নংলবশিংদা পোৎলম কয়া য়েন্থোক্কনি লাউথোক্লবসু হকথেংননা অৱাবা নংলবশিংদা ফঙখিদবা কয়া য়াওখিবা অদু হন্দক্কী সরকার অসিনা হকথেংননা অৱাবা নংলবা প্রজাশিংদা ফঙহনবীয়ু।

লোয়ননা ঈচাওনা অৱাবা নংলবশিংদা দেসামনা অঙম্বা মতেং পাঙগনি হায়না ফোঙদোকপগা লোয়ননা ঈচাও নংলবা মফমশিংদা লৈবা খুলশিং অমদি মহৈরোইশিংদসু সরকারনা অখন্নবা মীৎয়েং চঙবীয়ু হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

# চিংননিংঙাই ওইবা মীশিনি অচুম অরান থীদোকপা পাম্মীঃ *মেঙ্গোর*

এস এন এস

ইম্ফাল, জুলাই ১৬ঃ বঙ্গলাদেশতা মণিপুরী মহৈরোই অনী হাৎনহনখিবা অসি য়াম্না চিংনবা মীহাৎনি অমদি ইমুং মনুংনা অচুম্বা পুথোকপা পাম্মী হায়না থৌদোক অসিদা চেন্নে হায়রিবা মাইস্নাম ৱিনসনগী অপোকপা মাইস্নাম মেঙ্গোরনা মহাক্কী য়ুমদা পাঙথোকপা পাউমীশিংগা উন্নবদা ফোঙদোকখ্রে।

ৱিনসন অমদি অলিফ য়াম্না লুনা তিন্নজবা মরূপনি। মখোয় অনী বঙ্গলাদেশতা লৈবা প্রাইভেট য়ুনিভর্সিটি ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি, চিটাগোংদা পুন্না তমমিন্নদুনা লৈবনি। অদুনা অটিফনা লৈখিদবদা অমনা ৱিনসনবুসু থৌরি য়ান্দুনা লৈরম্বগী থৌদোক অসি ইমুং-মনুংনা চিংনবা ফাওই। কনাগুম্বা মীওই খরনা লৌতুনদুনা শিনবা থৌদোক মাল্লি।

থোকখ্রিবা থৌদোক অসি য়াম্না লাইবক থীবনি, মহৈরোই অনী অসি মমাঙদা করি অমত্তা নুঙাইনদবা লৈতে। অদুবু ঙরাং তাং ১৫গী অয়ুক অঙনবা পুং ৩ রোম তাবা অদুৱাই মখোয়গা পুন্না তম্মিন্নবা মহৈরোই অমনা পাউ পীরকখি।

লোয়ননা ৱিনসন অমদি অটিফ অসি য়ুনিভর্সিটি অসিগী ভেকেসন লৈবা মতমদসু য়ুমদা তোইনা লাকথোক-লাকশিন তৌনদুনা লৈবনি অমদি মীওই অমদা নোংমদা খৎন-চৈনবা মী নত্তে। মহৈরোই অনী অসিবু লৌতুনবা মানবা থৌদোক থোকখিবা অসি য়াম্না চিংননিংঙাই ওই। করম্না মী অমবু হাৎলগা অমনা অমুক সিলিং ফেনদা থৌরি য়াল্লন্নিবনো হায়বসি চিংননিংঙাইনি। অতোপ্পা মীওইশিংগী খূৎ য়াওরমগনি হায়বগী চিংনবা চাওনা লৈ। ৱিনসন অসি হৌজিক-হৌজিক য়াম্না ক্রিটিকেল কন্দিসন লৈরিবনি অদুগা হৌজিক নুপী মহৈরোই অমা য়াওনা মহৈরোই মঙা পুলিসনা ইনভেষ্টিগেসনগীদমক পুলিস কষ্টদিদা লৈরি।

লোয়ননা থৌদোক অসিদা ইমুং মনুংনা হৌজিক পামজরিবদি থৌদোক অসিগী অতোপ্পা মপান লৈবাক্তা থোকপা থৌদোক ওইবা মরম্না বঙ্গলাদেশকী ওঠোরিটি অমদি ইন্দিয়ান ওঠোরিটিনা অকনবা মীৎয়েং চঙদুনা অচুম্বা পুথোকপীয়ু অমদি মরাল লৈরিবা মীওইশিং চপ চাবা দন্দি পীবগা লোয়ননা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনসু মতেং পাঙবীয়ু হায়না ৱিনসনগী অপোকপনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

# এমএলএ রাধেশ্যামনা হিয়াংলম কেন্দ্রদা ঈচাউগী তেঙবাং য়েনথোকখ্রে

এসএনএস

ককচিং, জুলাই ১৬ ঃ ঈশিং ঈচাউনা অৱাবা নংলবা হিয়াংলম কেন্দ্রগী ইমূংশিংদা কেন্দ্র অসিগী এম এল এ ডা. রাধেশ্যাম য়ুম্নামনা ঙসি দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন ককচিংগা খূৎশম্নরগা চেং, হৱাই, থুম য়েনথোকখ্রে।



এম এল এ ডা. রাধেশ্যাম য়ুম্নামনা ঙসি অয়ূক সেকমাইজিন জি পি গী প্রধান য়ুমলেম্বম প্রেমকুমার, এস দি ও ৱাইখোঙ বোবি লাইশ্রম, অতৈ কয়াগা লোয়ননা হিয়াংলম কেন্দ্রগী মফম কয়াদা চৎতুনা চান-থক্লবা পোৎলমশিং য়েনথোকখ্রে

এম এল এ রাধেশ্যামনা ফোঙদোকপদা থা অমরোমগী মনুং অসিদা ঈচাউ মরিরক থোক্তুনা হিয়াংলম কেন্দ্রগী মীয়াম অসুক্কী মতিক ৱানরে। হৌজিক মণিপুর তুরেল ঈমাই খরা হন্থখ্রবসু মণিপুরগী মফম কয়াদগী লাকপা ঈশিংনা খোইদুম অমসুং পুমলেন পাৎতা তারবনা পাৎ অনীসিগী ঈমাই হৌজিকসু ৱাংখৎলক্লি। হিয়াংলম কেন্দ্র অসি খোইদুম অমসুং পুমলেন পাৎ অনীসিগী অকোয়বদা খুন্দাবা মফম ওইবনা কেন্দ্র অসিগী মফম অয়াম্বা ঈশিংনা থুমজিনখ্রে। এম এল এ মশামকসু য়াওনা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন ককচিংগী কাঙবু অমদি ভোলুনতিয়ার কয়ানা হোৎন-হোৎননা হৌজিকসু হেন্না হেন্না থুমজিল্লক্তুনা কেন্দ্র অসি ঈচাউগী অৱাবা অসুক্কী মতিক মায়োক্নরে।

অৱাবা তারবা মীয়ামগী মতেঙ পাঙনবা এম এল এ গী মায়কৈদগী চেং বেগ ২৩০ রোম, দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন ককচিংগী মায়কৈদগী হৱাই অমসুং থুম পুরক্লগা য়েনথোকপনি। হান্নসু অহুম মরিরক য়েনথোকখ্রে, মখা তানসু য়েনখিগনি হায়খি। লোয়ননা মেদিকেল কেম্প, ভেটিরিনরি কেম্প নচিংবসু পাঙথোক্লগনি হায়খি।

# লমন খুম্বগী থৌওং প্রজাশিংদা চত্থরকপা অথুবা মীৎয়েং চঙবীয়ুঃ *অল্টাফ খান*

এস এন এস

ইম্ফাল, জুলাই ১৬ ঃ এমএসপিডিসিএল, লিলোং সব-দিভিজনগী মেনেজর এমদি রিয়াজ উদ্দিননা ঙসিদগী চহী তরাগী মমাঙদা এক্স-মিনিষ্টর লৈখিদ্রবা হেলালউদ্দিন খানগী মতমদা মখা লৈকাইদা খিল্লিবা ট্রান্সফোর্মরনা মৈ পীরিবা কঞ্জুমরশিংদগী য়াম্নবা শেনফম খোমগৎলগা দিপার্টমেন্টদা রেভিন্যু কাহন্দনা অমদি টিআর কক্তনা কঞ্জুমরশিংদগী পৈশা খোমগৎলিঙৈদা খুফঙননা ফারগা ৱারক ৱাতেমখিবা অদুগী লমন খুম্বগী থৌওং অমা মখা লৈকাই প্রজাশিংদা চত্থরকপদা পৱার দিপার্টমেন্টগী ওঠোরিটিনা অথুবা মতমদা মীৎয়েং চঙবীয়ু হায়না ঙরাং মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা পব্লিক ইলেক্ট্রিকসিটি মেন্টিনেন্স কম্মিটি (পিইঐমসি) হাওরৈবী মখা লৈকাই পার্ট-১গী কনভেনর অল্টাফ খানন ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্না মখা তারদুনা হায়খিবদি, মেনেজর অসিনা মতমদুদা শেঙ্গা-থুমজা তৌই হায়বগী চপচাবা প্রমান হৌজিক-হৌজিকসু লৈরি। মরমদি মণিপুর গভর্ণমেন্টগী ইমপ্লোইশিংনা নো দিউ সার্টিফিকেট পুথোকপা সরকার লৈরকপদা কঞ্জুমরশিংদগী টিআর কক্তনা পৈশা খোম্বা য়ারক্তবদগী সরকারগী থবক তৌদবা কঞ্জুমরশিংদগী টিআর কক্তনা চহী কয়া পৈশা খোমগৎপগী চাওরবা শেনফম অমা তোনশিন্দুনা মৈ ককপগী ফিভমদা লৈখি।

এক্স-মিনিষ্টর লৈখিদ্রবা হেলালউদ্দিন খাননা কঞ্জুমরশিংগী অপুনবা লিষ্ট অমা তেল্লিবা শেনফমগা কোন্ননা পুথোক্লগা মেনেজর মশাদা খঙহনবদগী মেনেজরনা লিষ্ট অদু পুথোক্লকপদা কঞ্জুমরশিংগী মরক্তা লুপা লিশিং ৫০-৬০ ফাওবা তেনবা ময়াম অমা থেংনখি অদুগা পৈশা চাওনা কঞ্জুমরশিংদগী পৈশা খোমগৎপা হায়বসি নখোয়গী নথৌনি। নথৌদি পাঙথোক্তনা মৈ ককপা য়াব্রা হায়দুনা এক্স-মিনিষ্টরনা ৱারক-ৱাতেমখিবনি।

মেনেজর অসিনা কদায়ফাওবা সরকার অমদি কঞ্জুমরশিংদা নমথাক তৌদুনা য়াম্লবা শেনফম খোমগৎখিবগে হায়বদু ঙসি-ঙসিমক লিলোং-সব-দিভিজনদা লৈরিবা কঞ্জুমরগী লিষ্টশিং ২০০৭তগী হৌদুনা থীদোকপীনবা পৱার মিনিষ্টরদসু তকশিন্দুনা লাক্লিবনি।

মেনেজর অসিনা কুমজা ২০১৫গী মে থাদা মশামক মখা লৈকাইদা লাক্তুনা শেন্থোক লম্বী লৈজদবা কঞ্জুমর ওইবা ঙমজদবা প্রজাশিংগা লোয়ননা মীটিং অমা পাঙথোকখি। মীফমদুদা মহাক্না পৱার দিপার্টমেন্টগী অনৌবা স্কিম অমা লাক্লে লায়রবা প্রজাশিংনা লুপা ২৫০০ খক পুথোক্লগা মৈ থানবা য়ারগনি। অদুনা ময়াম মরক্তগী মীওই খরা খল্লগা কঞ্জুমর ওইনিংবশিংদগী লুপা ২৫০০/২৫০০ খোমগৎনবা তাকপীরমখি। লোয়ননা মীওই খরা শেন্নগা কঞ্জুমর ওইগদবা মীওই ৭৮দগী লুপা ১,৯৫,০০০ খোমগৎলগা মেনেজরদা শিন্নখি। অদুবু লুপা ১০০০/১০০০ খক্কী টিআর কক্লগা শিন্নরকখি। থৌওং অদুদা পেন্নদ্রবা লাইরবা কঞ্জুমরশিংনা পৈশা খোম্বদা য়াওরুবা মীওই খরা ফু-চৈবা ফাওবা য়াওখি। শেঙ্গা-থুমজা তৌই হায়বগী ইকায়বা নংলবা মীহুৎশিং অদুনা ঙসিফাওবা মেনেজর মশানা মহাক্ন পায়শিনখিবা শেনফম অদু লাইরবা কঞ্জুমরশিংদা হন্দোকপীনবা হায়দুনা লাক্লিবনি। ইসলাম লাইনিং চৎপশিংগী অচুম্বা লোৎশিনবা য়াদবা খর লৈরি। অদুনা মখা লৈকাইগী কঞ্জুমরশিংগী মমাঙদা শেনফম অদু লৌখিদে হায়না মেনেজর অসিনা শেঙদোকপা ঙম্লোই হায়খি।

মেনেজর অসিনা মহাক্কী সব-ওরদিনেট ষ্টাফশিংদা শিন্নরগা হন্দক প্রিপেদ কনেক্সন তৌবদা কঞ্জুমর অমদগী লুপা ৬০০০ ফাওবা খোমগৎখিবগী চেনবা য়ারোইদৌবা খুদম চাংদম ঐখোয়গী খুৎতা লৈরে। মফম মতম চাবদা পুথোক্লগনি। কঞ্জুমরশিংদগী থা অমদা লুপা ১০০০০০ হেন্না খোমগৎপা ঙম্লবসু শক ১৯৮৩ দগী লৈরক্লবা ট্রান্সফোর্মর অসিগী মেন্টিনেন্স তৌবগী অচংবা শেনফমশিংদি কঞ্জুমরশিংনা পুথোক্তুনা লাক্লি। য়াম্না ঙক্লিবা অমনা মেন রোদতগী খর হঞ্জিনবা মফমদা লৈবা কঞ্জুমরশিংদা মৈ পীবদা ইলেক্ট্রিক পোল অমদি ৱেয়রনচিংবা লৈবগী শেনফম কঞ্জুমরশিংদা পুথোকহল্লি। ট্রান্সফোর্মর অসি ফেন্সশিং তৌবীনবা কয়ারক হায়জরুবা লৈখ্রে। অদুবু ঙসিফাওবা তৌবীদ্রি হায়খি।

হন্দক জুলাই ২দা লিলোং কেন্দ্রদা ঈশিং ঈচাও থোকপগী ফ্লদ ভিক্টিম ওইরবা প্রজাশিং অনকপা রিলিফ কেম্পশিংদা চঙজফম লৌদুনা লৈরিবনি। লোয়ননা থক্লবা ঈশিংগী চাওরবা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নরিঙৈ তাল্লকসিদা মেনেজর অসিনা ট্রান্সফোর্মর অসিদগী মীটর ১০০ রোমতমক লাপনা লৈবা ঈচাওগী ঈশিং য়ৌদবা ৱাটর সপ্লাই স্কিমগী মৈ ককথৎখি।

মৈ ককথৎখিবগা মরী লৈননা এই সব-দিভিজন-থ্রী, থৌবাল পিঐচই দিভিজননা খূৎয়েক পীদুনা থোকপা অইবা চেরোল অমা মেনেজর এমএসপিডিসিএল লিলোং সব-দিভিজনদা থা অসিগী ৬ তা ওইনাম শওম্বুং, হাওরৈবী মখা লৈকাই, অতৌখোঙ অমদি লৈফ্রাকপম ৱাটর সপ্লাই স্কিমগী মৈ হাপ্পীনবা থাখিবা লৈরে। লোয়ননা হাওরৈবী মখা লৈকাই ৱাটর সপ্লাই স্কিম খক নত্তনা অতৈদি মৈ হাপ্তুনা ঈশিং পীবা হৌখ্রে। অসিনা লিলোং কেন্দ্রগী ঈচাও অসি মখা লৈকাই খক্তদা চাওখিব্রা হায়নসু পেন্দবা ফোঙদোকখবগা লোয়ননা অসিগুম্বা মথোং হুক্তবা মেনেজরগী থৌওং অসি মরী লৈনবা ওঠোরিটিনা অথুবা মতমদা থীগৎপীদুনা মহাকপু মরালগী চপ চাবা দন্দি পীবিয়ুনা হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

লমায় ১ গী মখা

# রাজনিতি তৌবশিংবু মীয়াম্না থাজহন্নবা...

গভর্ণমেন্ট অসিনা পায়খৎকদবা থবকশিংগী মনুংদা লম্বী থোং, ইনফ্রাষ্ট্রকচর শেমগৎপা য়াওরি। লোকেল এরিয়া দিভলপমেন্ট ফন্দদগী দ্রেন শেম্বগী মতাংদা হাপ্পবা খন্নরি হায়খি।

থৌরম অদুদা ৱার্ক্স মিনিষ্টর টি ঐচ বিশ্বজিৎনা হায়, মেদিয়ানা সমাজ অমা চুথোক্লবা হোৎনবদা লৌরিবা থৌদাং অদু খঙনরিবনি। জর্নেলিষ্টশিং অসিনা কত্থোকপগা লোয়ননা মশাগী পুন্সি অসি খুদোংথিবা মরক্তা চংশিন্দুনা হোৎনরিবা অসি ইকাই খুম্নফম থোকই।

ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা পায়খৎলিবা স্কিম কয়া অসিগী মরমদা মীয়ামদা খঙহন্নবা হোৎনসি। মসিদা মেদিয়াগী খূত্থাংদা হোৎনদুনা চংশিনবা দরকার ওই হায়খি।

লমদম অসি খুমাং চাউশিনবা লমদম অমা ওইহনগে হায়রবদি থোং মান্ননা চাউখৎমিন্নবা দরকার ওই হায়খি।

চহি অসিগী ওইনা কংলৈপাক্কী মৈরানা পীবা খ্বাইদগী ফংবা প্রিন্ট মেদিয়াগী নুপা পাউমী এৱার্দ পোক্লফমগী টি ঐচ প্রেমচান্দ, ইলেক্ট্রোনিক্স মেদিয়াগী নুপা পাউমীনা আই এস টি ভিগী নিং থৌখোঙজম সনাজাওবা, খ্বাইদগী ফবা নুপী পাউমীশিংনা মীতৈ পাওলশিংগী মরক্তগী অহানবা পাউমী বেবিসিরিননা ফংখি। লোয়ননা বেষ্ট এপ্রিসিয়েটেদ আই পি আর ষ্টাফনা চীফ মিনিষ্টর সেক্রেটরিয়েটকী ফোটোগ্রাফর পি রোমেসনা ফংখি। লোয়ননা বেষ্ট হোকর এৱার্দনা মশাগী চহী ৭৮ শুরবা বিরেননা ফংখি।

থৌরম অদুদা সি এ এফ এন্দ পি দি মিনিষ্টর করাম শ্যাম অমসুং পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরী হেল্থ এস সোভাচন্দ্রসু ইকাই খুম্নরবা মীথুং ওইখি। লোয়ননা কংলৈপাক্কী মৈরাগী চীফ এদিটর ৱাংখেমচা শামজাইনা থৌরম মপু ওইনা শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা লাইরিক ফবা মহৈরোই ১৩৫ দসু মনা মথুম পীদুনা পূক্নিং থৌগৎখি।